
# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JANUARY 06, 2019 PAGE 7

*মহারাষ্ট্র ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী আইভো কার্লোভিসপু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসন*

*চাইনাগী সিটি সেনঝেনদা চথরকপা সেনঝেন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকা*



## ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৩৮৬ মাঙজিল থাদুনা লৈরি, সেরিজ লৌগদবা খজিক্তমক ঙাইরে

*সিদনি, জনুৱারি ০৫ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চল্লিবা ৪শুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচ ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ৩৮৬ হেন্দুনা লৈরি। সেরিজ লৌগদবা খজিক্তমক ঙাইরে।

৪শুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৬২২ লৌরবা মতুং ইন্নিংস দিক্লার তৌখিবনি। ইনিদয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা টিম অসিগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারানা রন ১৯৩ লৌরমখি। অদুগা অতোপ্পা বেটসমেন রিসব পন্টনা আওট ওইদনা রন ১৫৯ লৌরম্বা অদু শিংথাবা য়াবা ওইখি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱিকেট লৌবদা হরাওবা*

ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ঙরাং নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট অমত্তা আওট ওইদনা রন ২৪ লৌখি।

ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎ শান্নরকপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মখা তানা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২১২ হাপচিনবা ঙমখি। উসমান খাৱাজা রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর মার্কস হরিস য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১২০ মায়োক্নবদা ফোর ৮ য়েরগা রন ৭৯ লৌরমখি।

নৌনা চঙলকখিবা মারনস লাবুস্কেগনেবু ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা রন ৩৮ হাপচিল্লমখি। ৪শুবা বেটসমেন সোন মার্স রন ৮ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন ত্রেভিস হেদকী রন ২০ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। কেপ্টেন পাইরে রন ৫ দা আওট ওইখি।

ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা পিটর হেন্দকোম্ব অমসুং পেট কুম্মিন্স মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ২৮ অমসুং ২৫ লৌদুনা লৈখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম ফোলো ওন শান্নবগী ফিভমদা লৈখ্রে।

## বোপানা অমদি সরননা মহারাষ্ট্র ওপনগী দবলস টাইটল লৌখ্রে

*পুনে, জনুৱারি ০৫ঃ*

মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা মমাঙ থাগী ৩০ দগী চথরকপা মহারাষ্ট্র ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস টাইটল ইন্দিয়াগী পেয়র রোহন বোপানা অমদি দিভিজ সরননা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি দিভিজ সরননা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বৃটেনগী পেয়র এল বাম্ব্রিজ অমদি জে ও মারাবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

মহারাষ্ট্র ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা ক্রোএসিয়াগী আইবো কার্লোভিসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং টাই ব্রেক সেট অহুমদা ৭–৬(৭–৪), ৬–৭(২–৭), ৭–৬(৭–৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## স্বিটজরলেন্দনা হোপমেন কপকী মরিরকশুবা টাইটল লৌখ্রে

*পর্থ, জনুৱারি ০৫ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি পর্থতা মমাঙ থাগী ২৯ দগী চথরকপা হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দনা জর্মনিবু মেটচ ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৪রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

হোপমেন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট ফেদররনা জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা ফেদররগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল টাই অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমদুনা মেটচ ১–১ দা মান্নখি।



*হোপমেন কপকী চেম্পিয়ন স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমদি বেলিন্দা বেন্সিক (ওই)*

নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ অসিগী অহানবা সেট জর্মনিগী কর্বরনা স্বিটজরলেন্দগী বেন্সিককী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকপদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি।

টাই ব্রেক অদুদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ফজবা হেনখিবদগী ৭–৬(৮–৬) দা থোইদুনা ফাইনেল টাই অসিদা টিম অনীমক মেটচ ১–১ দা মান্নখি।

দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা মিক্স দবলসতা স্বিটজরলেন্দগী পেয়র রোজর ফেদরর অমসুং বেলিন্দা বেন্সিক্না জর্মনিগী পেয়র আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং এঞ্জেলিক কর্বরগী সার্ভিস গেম পূম্নমক ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৪–০ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটনা জর্মনিগী পেয়রনা ৪–১ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা সেট টাই ব্রেক্তা স্বিটজরলেন্দগী পেয়র ফেদরর অমসুং বেন্সিকনা জর্মনিগী পেয়র জ্বেরেভ অমসুং এঞ্জেলিক কর্বরবু ৪–৩(৫–৪) দা থোইরম্বদগী ফাইনেল টাই অদু মেটচ ২–১ দা থোইরম্বদগী স্বিটজরলেন্দগী ৪রকশুবা টাইটল লৌখি।

## মরিশুবা ষ্টেট লেবেল সবুংখোক কপ ২০১৯ হৌদোকখ্রে ওপন্নিং মেটচতা ৱাই এস দব্লিয়ু সি (এ) সবুংখোক মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৫ঃ*

য়ুঠ এন্দ ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়র ক্লব সবুংখোকনা শীন্দুনা সবুংখোক প্লে গ্রাউন্দদা টিম ২১ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা ঙসিদগী ৪শুবা ষ্টেট লেবেল সবুংখোক কপ ২০১৯ অন্দর ১৫ সবেন মেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা তেল্লৌ চনা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঐচ নিমাই সিংহ, শাওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ আই রবিচন্দ্র সিংহ, তেল্লৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ–প্রধান টিঐচ রানেল সিংহ, তেল্লৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর সবুংখোক ৱানগী সরাংথেম মনিতা লৈমা অমদি তেল্লৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়টকী ৱার্দ মেম্বর সবুংখোক টুগী সি ঐচ রোমাতোম্বী লৈমনা মথং শিংনা প্রসিদেন্ট, চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ওপন্নিং মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা গ্রুপ এফকী মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ৱাই এস দব্লিয়ু সি (এ) সবুংখোকনা ইঙোতোম্বী এফসি তেল্লৌবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা ৱাই এস দব্লিয়ু সি (এ) সবুংখোকনা লাকশিন্না শান্নদুনা মিনট ১৯ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ নোংপোকঙানবনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোত্থরিবা ইঙোতোম্বী এফসিনা গোল হন্দোক্নবা শান্নরবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবনা নোংপোকঙানবগী গোল অদুনা মেটচ অসি ৱাই এস দব্লিয়ু সি (এ) সবুংখোকনা মায় পাকখি।

## উচিৱা জি পি প্রধান ট্রোফি ২০১৯

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৫ঃ*

হয়াল য়ং পোপুল্লর ক্লব হয়ালনা শীন্দুনা ইবুধৌ ইপোক আইকোক নিংথৌ সনাবুং হয়ালদা ঙরাংদগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেবেল ৭ এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আনন্দ এফসি অমসুং থোইবা এফ সি মায় পাকখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা কংলৈ এফসি অমদি কে এম এস দব্লিয়ু সি দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা আনন্দ এফসি না য়ু দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু সি (বি) বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা আনন্দ এফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ তেলহৈবনা মিনট ৫, জর্সি নম্বর ১০ অবোচানা মিনট ১৩ অমদি জর্সি নম্বর ৬ চিংখৈনা মিনট ২৬ তা গোল অমমম চনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা থোইবা এফসিনা তোলহৈ এফসিবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা থোইবা এফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ সুর্যকান্তনা মিনট ১৮ অমদি জর্সি নম্বর ৩ রোসননা মিনট ৪০ প্লস ৱানদা গোল অমমম চনখি। মায়থিরবা তোলহৈ এফসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ কৃষ্ণনা ১৬শুবা মিনটতা চনখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কংলৈ এফসি অমদি কে এম এস দব্লিয়ু সি গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে। মেটচ অসিগী গোলশিং অদু কে এম এস দব্লিয়ু সিগীনা জর্সি নম্বর ১১ রাজখাননা মিনট ১০ অমদি ৩৩ দা গোল অনী অদুগা কংলৈ এফসিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৩ গোবিন্দনা মিনট ৩০ অমদি জর্সি নম্বর ১০ প্রেমকুমারনা মিনট ৩৫ দা গোল অমমম চনখি।

ক্রোসৱার্দ ৩৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| G | I | N | S | ■ | L | A | I | R | S | ■ | A | C | R | E |
| I | D | O | L | ■ | O | P | R | A | H | ■ | H | O | U | R |
| R | E | D | E | C | O | R | A | T | E | ■ | A | M | M | O |
| L | A | S | E | R | S | ■ | N | E | A | R | ■ | P | O | D |
| ■ | ■ | ■ | P | O | E | T | ■ | ■ | ■ | O | H | A | R | E |
| A | S | P | ■ | W | R | A | P | ■ | A | P | E | R | ■ | ■ |
| C | H | A | R | ■ | ■ | M | A | N | N | E | R | I | S | M |
| M | I | R | E | ■ | A | P | R | O | N | ■ | O | S | L | O |
| E | N | T | E | R | T | A | I | N | ■ | ■ | N | O | U | N |
| ■ | ■ | I | S | E | E | ■ | S | O | M | E | ■ | N | R | A |
| R | A | C | E | S | ■ | ■ | ■ | S | O | O | T | ■ | ■ | ■ |
| E | M | U | ■ | T | E | N | S | ■ | U | N | R | E | A | L |
| H | O | L | E | ■ | R | O | T | I | S | S | E | R | I | E |
| E | R | A | S | ■ | O | V | A | L | S | ■ | S | I | N | S |
| M | E | R | E | ■ | S | A | B | L | E | ■ | S | E | T | S |

## বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন ২০১৮–১৯

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৫ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৫ দগী টিম ১৫ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুর অমদি অমোফা একাদেমী মোইরাং মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুরনা জি দি সি থিনুঙ্গৈবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা গোল চন্নবা হোৎনরবসু টিমশিংগী কিপরশিংনা নীংথিনা শান্নবদগী গোলদা ওন্থোকপা ঙমহন্দনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনট ৪৪ দা ৱাই দব্লিয়ু ও বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ৬ কে ঐচ আনন্দনা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।



মেটচ অসিদা দব্লিয়ু ইবোয়াই, ৱাই লুংসু, থাও জোনী অমদি এল বুবোননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ শান্নখিবদা অমোফা একাদেমী মোইরাংনা জি এম সি ফুবালাবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনট ৪ দা অমোফা একাদেমীগী জর্সি নম্বর ১৭ মাক্যুরেল কোমনা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফতা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অসি অমোফা একাদেমীনা মায় পাকখি।

বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়ম অসিদা এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ২৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরক্লিবা ১৩শুবা এন বালানন্দ মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮–১৯ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী ১২শুবা মেটচতা ৱাই এ সি বিষ্ণুপুর অমদি আই কে এ সি ইরেংবম গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু ৱাই এ সিগীনা জর্সি নম্বর ১৫ বিদ্যানন্দনা মিনট ৪৭ দা অমদি আই কে এ সিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ বিরচন্দ্রনা মিনট ৬০ দা চনখি।

লীগ অসিগী হয়েংগী মেটচতা এস সি ভি এ নরানসেনা অমদি এ কে এস এ ক্বাক্তানা শান্নরগনি।

## বেদমিন্টন কোচিং কেম্প লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ০৫ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্টর্ন ক্লব উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১০ গী হৌরগা থা অসিগী ৫ ফাওবা চথরকখিবা চহী ১৭ মখাদা লৈবা নুপা অমদি নুপীমচাশিংগী ওইবা ফ্রি ৱিন্টর বেদমিন্টন কোচিং কেম্প ঙসি ক্লব অসিগী শঙলেনদা লোইশিনখ্রে।

পাঙথোকখিবা কোচিং কেম্প অসিদা মণিপুরগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা নুপামচা ৪৫ অমদি নুপীমচা ১৫ পুন্না শান্নরোই ৬০ না শরুক য়াখি।

কোচিং অসিদা ঐচ পুন্সিবা (কোচ) বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন কোচ লেবেল ৱান অমদি ঐচ য়াইফবা সেনিয়র বেদমিন্টন প্লেয়রনা শান্নরোই অসি তাকপী তম্বীখি।

কেম্প অসি লোইশিনবগী থৌরমদা ইন্টরনেসনেল চীফ রেফরি হোদাম জ্ঞানেশ্বর সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্টর্ন ক্লবকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিরেন সিংহ অমদি ইন্টরনেসনেল অম্পিয়র এন্দ নেসনেল রেফরি, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েনগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি এ চট্টরঞ্জন শর্ম্মানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।


TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY

in aid of fund drive
OF ORPHAN GIRLS FOR FREE TRAINING
Org. by. Blue Ocean Academy | Under M. S. R. Act 1989
Regd. 227/SR/IW/03

Date | Time:
Sunday 6th January 2019
3 p.m. [No Light Arrangement]
Venue: Iboyaima Shumang Leela Sanglen Palace Compund

Ticket Rate Rs. 1500/-

HOUSEFULL 6 LAKHS

Ticket Rate Rs.600/- MINI BUMPER Ticket Rate Rs.600/-




SL/431/06

Ngasigi Ahanba Housie

PALACE DENTAL CARE

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple Imphal East

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Newly Open

Treatments available:-

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extractions.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday 8 AM. to 12 Noon.

X-ray available

Visiting Hours 8:30 AM. to 4:30 PM.

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/Alt/30 Days from 6-1-19

A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI, IMPHAL WEST

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- Stroke
- Bell's Palsy
- Other neurological Conditions

Instruments
- Tens
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Paraffix wax bath
- Muscle stimulator
- Laser Theraphy
- Tread Mill
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball
- Ankle Exerciser
- Static Cycle

Sunday Closed

Home visit available

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019